ইন্দিয়ন বোক্সরশিংনা মখা তানা এসিয়ন য়ুথ চেম্পিয়নশিপ্তা মায় পাক্না চঙশিল্লি

বেঙ্কোক, জুলাই ০২ : ইন্দিয়ন বোক্সরশিংনা মফম অসিদা চথরিবা এসিয়ন য়ুথ চেম্পিয়নশিপ্তা মখা তানা মশক থোকপা পার্ফোমেন্সশিং পীখিবগা লোয়ননা চেম্পিয়নশিপ অসিগী নীনি চনবা নুমিৎতা বোক্সর মরিনা ক্বার্টর ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে।

ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা বোক্সরশিং সুদিপ কুমার (কেজি ৫২), অঙ্কিট কুমার (কেজি ৬০), নবিন বোরা (কেজি ৬৯) অমসুং মোহম্মেদ ইটাজ খান (কেজি ৫৬) না মখোয় মখোয়গী ওপনিং বাউটতা মায়োক্নখিবা লম্বাবু থিনদৎলমদুনা লাষ্ট আইট ষ্টেজদা খুমাঙ চাউশিনখি।

সুদিপ কুমারনা মহাক্কী ওপনিং বাউটতা ইরাক্কী ইস্কান্দর য়াহায়া কুসামগা থিন্নখি। মহাক্না মহাক্কী ওপোনেন্টপু য়াম্না লাকচনা খুদোংথিবা অমত্তা য়াওদনা থিনগাইখিদুনা মায় পাকখি। মহাক্না ক্বার্টর ফাইনেল বাউটতা জপানগী নকাগাকি রয়ুতারোগা থিন্নরগনি।

নকাগাকি রয়ুতারোনা অহানবা রাউন্দগী বাউটতা শ্রী লঙ্কাগী কুদাবিথানাগে লাসিন্দুবু থিন্দৎতুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙলকখিবনি। অঙ্কিটনা মহাক্কী বাউটতা ইন্দোনেসিয়াগী মিধুন রেজাবু য়াম্না লায়না মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

মহাক্না ক্বার্টর ফাইনেল বাউটতা কিরগিষ্টানগী ইগেনবর্দি উলু এদলেটকা মায়োক্নদুনা থিন্নরগনি। ইগেনবর্দি উলু এদলেটনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দ অদু বাই ফংদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

নবিন্না মহাক্কী অহানবা বাউটতা কিরগিষ্টানগী য়রিসকুলোব ইরজহানবু মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি। ক্বার্টর ফাইনেল বাউটতা নবিন্না চিনাগী হুৱাং রুইগা লম্বা তৌনদুনা থিন্নরগনি। রুইনা মহাক্কী ওপনিং রাউন্দদা বাই ফংদুনা ক্বার্টর য়ৌরকখিবনি।

ৱর্ল্ড যুথ চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াদুনা মশক থোকপা পার্ফোমেন্স পীখ্রবা এক্সপরিএন্স লৈরবা ইটাসনা মঙ্গোলিয়াগী টাসাগানবাটার মুনখাবাটারবু মহাক্কী অহানবা রাউন্দ কন্টেষ্টতা মায়থীবা পীদুনা লাষ্ট আইট ষ্টেজদা চঙখি।

কন্টিনেন্টেলগী শোপিছ অসিদা রিজন অসিগী লৈবাক ২৩ দগী অপূনবা বোক্সর ১২০ না শরুক য়ারি। ইন্দিয়ানা টুর্নামেন্ট অসিগী মমাঙগী এদিসন্দা শরুক য়াদুনা মেদল মরি লৌখি। মেদলশিং অদুদি শিলভর অহুম অমদি ব্রোঞ্জ মেদল অমনি।

পনবা য়াই, টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং অহৌবা নুমিৎতা ইন্দিয়াগী বোক্সর অহুম্না মখোয় মখোয়গী বাউটশিং মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিবনি।

ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিবশিং অদুদি ৱর্ল্ড যুথ চেম্পিয়ন সচিন সিৱাচ (কেজি ৪৯), সচিন সিৱাচ (কেজি ৭৫) অমদি অকাস কুমার (কেজি ৬৪) নি।

মশাগী চহী ১৭ শুরবা ৱর্ল্ড যুথ চেম্পিয়ন সচিন সিৱাচনা মোঙ্গোলিয়াগী ইনখ-অমগালন বয়ারসাইমনবু য়ুনিনিমস বর্দিক্তা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখি। মহাক্না ক্বার্টর ফাইনেল বাউটতা ফিলিপিন্সকী জন সোলিস জেমসকা লম্বা তৌদুনা থিন্নরগনি।

কন্টেষ্ট অসিগী মিদল ৱেথকী কেজি ৭৫ গী কেটোগোরিদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী বোক্সর সচিন সিৱাচনা মহাক্কী ওপনিং বাউটতা সিরিয়াগী বোক্সর অবদুল সোমনবু মায়থীবা পীখি।

অকাস কুমারনা টাজকিস্থানগী অজিজোব সোখমুখম্মদপু মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখি।

আই সী সী ৱিমেন’স ৱর্ল্ড কপ: বিষ্টকী বোলিং পার্ফোমেন্সনা ইন্দিয়ানা পাকিস্তানবু রন ৯৫ দা মায়থীবা পীখ্রে

দর্বি, জুলাই ০২ :

লেফ্ট আর্ম স্পিনর ইকটা বিষ্টনা মফম অসিদা চথরিবা আই সী সী ৱিমেন’স ৱর্ল্ড কপকী নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা মশক থোকপা বোলিং পার্ফোমেন্স পীখিদুনা ইন্দিয়ানা আর্ক রাইবেল পাকিস্তানবু রন ৯৫ দা মায়থীবা পীদুনা মখোয়গী থংনা থংননা অহুম্লকশুবা ওইনা মায় পাকখি।

বিষ্টনা ওভর ১০ দা মেদল ২ লৌবদা নত্তনা রন ১৮ খক্তমক পীথোক্লগা ৱিকেট মঙা লৌদুনা ইন্দিয়াগী মায় পাকপদা চাউনা মতেং পাঙখি।

ইন্দিয়ানা অহানবা বেট্টিং তৌখিদুনা অপীবা ওভর ৫০ দা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ১৬৯ লৌদুনা পাকিস্তানগীদমক টার্গেট রন ১৭০ পীরমখি। পাকিস্তান্না অনীশুবা ইন্নিংসতা মখোয়গী টার্গেট রন লৌনবগীদমক তানখৎখিবদা ওভর ৩৮.১ দা ৱিকেট পুম্নমক আউট ওইরগা রন ৭৪ খক্তমক লৌদুনা রন ৯৫ দা মায়থীহৌখি।

ইন্দিয়ানা মায় পাকখিবা অসিনা গেম অহুমদগী পোইন্ট তরুক ফংদুনা টেবলগী খ্বাইগী মকোক্তা লৈখ্রে। মমাঙ চহীদা ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা দেল্লিদা পাঙথোকখি আই সী সী ৱর্ল্ড টি-২০ দা পাকিস্তান্না ইন্দিয়াবু মায়থীবা পীরমখিবা অদুগী লমন খুন্বা ওইনা ঙসিগী মেচ অদুদা থোকখি।

ইন্দিয়াগী শক্নাইরবী লেফ্ট আর্ম স্পিনর ইক্টা বিষ্টনা পাকিস্তানগী বোলর অয়েসা জাফর (১) সিদ্রা নৱজ (০) অমদি ইমরান জাবেদ (০) পু মহাক্কী অহানবগী ওভর ৪ দা ৱিকেট ওইনা ওন্থোকখি। মহাক্না মখা তারকপদা ৱিকেট অনী অমগা লৌদুনা পাকিস্তান-গী বেট্টিং লাইনবু মরু ফংনা থুগাইখি।

ইন্দিয়াগী ওপনর পুনম রাওটনা বোল ৭২ দা বাউন্দরি মঙা য়াওনা অপূনবা রন ৪৭ লৌদুনা টিমগী মশক থোক্লবা বেটসমেন ওইবদা নত্তনা টিমবু মায় পাকপগী লম্বীদা পুশিল্লমখি।

দিপটি শর্ম্মানা বোল ৬৩ দা রন ২৮, সুস্মা বর্ম্মানা বোল ৩৫ দা রন ৩৩, ঝুলান গোশ্বামিনা বোল ৩৬ তা রন ১৪, হরমনপ্রীট কৌরনা বোল ২৩ দা রন ১০, কেপ্তেন মিথালি রাজনা বোল ১৪ দা রন ৮ লৌদুনা ইন্দিয়াগী মায় পাকপদা মতেং পাঙখি। ইক্টা বিষ্টনা বোল অমদা রন অমখক লৌরল্লগা রন আউট ওইখি।

পাকিস্তানগী বোলর নসরা সিন্ধুনা ওভর ১০ দা রন ২৬ পীথোক্লগা ৱিকেট মরি লৌদুনা টিমগীদমক ৱিকেট খ্বাইদগী য়াম্না লৌবা বোলর ওইখ্রবসু মায় পাক্নবা লম্বীদা পুশিনবা ঙমখিদে।

সাদিয়া য়ৌসুবনা ওভর ১০ দা রন ৩০ পীথোক্লগা ৱিকেট অনী, দাইনা বেইগনা ওভর ১০ দা রন ২৮ পীথোক্লগা ৱিকেট অমা অমদি অসমাবিয়া ইকবালনা ওভর ১০ দা রন ৪৬ পীথোক্লগা ৱিকেট অমা লৌখি।

পাকিস্তান্না মখোয়গী টার্গেট রন ১৭০ লৌননবা তান্নরকখিবদা মখোয়গী ওপনিং বেটসমেন লাহিদা খান্না বোল ৬২ দা রন ২৩ খক্তমক লৌরল্লগা ক্রিজদগী মপান থোকখি।

পাকিস্তান টিমগী কেপ্তেন সলামিরনা বোল ৭৩ দা রন ২৯ লৌদুনা টিমগী রন খ্বাইদগী য়াম্না লৌবা বেটসমেন ওইখি। মখোয়গী বেট্টিং লাইনবু ইন্দিয়াগী বোলরশিংনা অঙকপা ফংনা নৈখিবদগী মখোয়গী টার্গেট রন য়ৌবা ঙমদনা খাংতপ্তা লোইশিনখি।

পাকিস্তানগী জেবেরিয়া খাননা রন ৬, নাইন অবিদিনা রন ৫, সাদিয়া য়ৌসুবনা রন ৩ লৌখি।

ইন্দিয়াগী বোলর মান্সি জোসিনা ওভর ৬.১ দা রন ৯ খক্তমক পীরগা ৱিকেট অনী, হরমনপ্রীট কৌরনা ওভর ২ দা রন ৬ পীরগা ৱিকেট ১, দিপটি শর্ম্মনা ওভর ১০ দা রন ২১ পীরগা ৱিকেট ১ অমদি ঝুলান গোশ্বামিনা ওভর ৫ দা রন ১২ পীরগা ৱিকেট ১ লৌদুনা টিমগী মায় পাকপদা চাউনা মতেং পাঙখি।

দেভিস কপ্পর প্রজনেস গুনেশ্বরন্না টোপ সীদ লি ঝেবু মায়থীবা পীদুনা আই টি এফ মেন’স ফ্যুচর টেনিসকী টাইটল লৌখ্রে



ন্যু দেল্লি, জুলাই ০২ :

দেভিস কপ্পর প্রজনেস গুনেশ্বরন্না চিনাদা চথখিবা য়ু এস দি ২৫,০০০ আই টি এফ মেন’স ফ্যুচরস টেনিস টুর্নামেন্টকী নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা টোপ সীদ চিনাগী লি ঝেবু ৬-৩, ৬-১ দা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখি।

প্রজনেসনা ঙসিগী লৌখিবা টাইটল অসি থারগা মহাক্কী ফ্যুচর সিঙ্গলস টাইটল তরেৎলক লৌবসু ওইখ্রে অমদি কুমজা ২০১৩ দা দেনমার্কতা মহাক্না লৌখিবা টাইটল অদু থারগা মপান লমদা মহাক্না টাইটল লৌবা অনীশুবসু ওইখি।

মশাগী চহী ২৭ শুরবা চেন্নাইগী নুপামচা অসিনা চহী অসিদা লৌবা মহাক্কী সিঙ্গলস টাইটল অহুমসু থোইবা ঙমখ্রে। অনীশুবা সীদ অমদি কেরিয়রগী খ্বাইদগী ফবা ওইনা ২৫৬ শুবা রেঙ্কতা লৈরিবা প্রজনেসনা মেচ অদুদা ব্রিক পোইন্ট ১১ গী মনুংদা ৪ লৌখিদুনা মেচ অদুদা মখা তানা চঙশিনখি অমদি মহাক্না মায়োক্নখিবা ব্রিক পোইন্ট অহুমসু সেভ তৌবা ঙমখি। মহাক্না মেচ অদু পুং অমগা মিনিট ২৩ চঙনা শান্নদুনা মায় পাকখি।

অতোপ্পা দেভিস কপ্পর সুমিথ নদালনা শ্রী লঙ্কাদা পাঙথোক্লিবা য়ু এস দি ১৫,০০০ আই টি এফ মেন’স ফ্যুচর টেনিস টুর্নামেন্টকী সিঙ্গলস সেমী ফাইনেল মেচতা স্পেনগী কার্লোস বোলুদা পার্কিস্কি মখূৎতা ৬-৩, ৩-০ দা রিটয়ার্দ তৌদুনা মায়থীহৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী দবলস ফাইনেলদা চান্দ্রিল সুদ অমদি লক্সিট সুদনা ফ্রান্সকী মিনো পোর্টেলস অমদি রসিয়াগী আলেকজেন্দর জুরবিন্দবু ২-১ দা রিটয়ার্দ তৌখিদুনা মায় পাকখিবগা লোয়ননা টাইটল লৌখি।

চান্দ্রিল সুদ অমদি লক্সিট সুদনা টাইটল লৌখিবা অসিনা মখোয়গী নিপানশুবা দবলস টাইটলসু ওইখ্রে। অদুগা সিজন অসিগী ওইনা অনীশুবা টাইটলসু ওইখি।

ইজিপ্তা পাঙথোকখিবা আই টি এফ ৱিমেন’স ইভেন্টতা হান্নগী এসিয়ন জুনিয়র চেম্পিয়ন প্রঞ্জালা য়াটলাপলিনা ফাইনেল মেচতা রসিয়াগী ইকাটেরেনা য়াজিনাবু ৬-৪, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি। ফাইনেলদা মশাগী চহী ১৮ শুরবী প্রঞ্জালানা অতোপ্পা ইটালিগী অন সীদেদ প্লেয়র গ্যান্দা ক্লেরিসিগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

কানিকা বৈদ্যানা ইকাটেরেনা য়সিনাগাপাদুনা ওষ্ট্রেলিয়াগী ইলা হসরেখোবিক অমদি আয়রলেন্দগী জেনিফর টিমোটিমবু ফাইনেলদা ৬-২, ৬-০ দা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখি।

ৱিমব্লেদন চেম্পিয়নশিপ

লন্দন, জুলাই ০২ :

মথং চয়োলদগী চথবা হৌগদৌরিবা ৱিমব্লেদন চেম্পিয়নশিপ্তা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন এন্দি মরেনা মহাক্কী টাইটল দিফেন্স তৌনবগীদমক অহানবা রাউন্দগী মেচতা ক্বালিফায়র অমগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি। অদুগা নুপীগী সিঙ্গলস মেচতা এঞ্জেলিক কার্বরসু ক্বালিফায়র অমগা শান্নরগনি।

নেসনল লেভেল নেচরেল বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিটনেস চেম্পিয়নশিপকীদমক দোনেসন লৌবা লৈত্রি : আইএনবিএ

ইম্ফাল, জুলাই ০২ :

ইন্টরনেসনল নেচরেল বোদি বিল্ডিং এসোসিএসন (আই এন বি এ) গ্লোবেল এসিয়াগী থৌশিল মখাদা শিনদুনা জুলাই ২৬ অমদি ২৭ তা ইম্ফালদা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনল লেভেল নেচরেল বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিটনেস চেম্পিয়নশিপকীদমক মতেং ওইননবা আই এন বি এনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দি সী ওফিসতগী শেনফমশিং দোনেসন তৌবা লৈতে হায়না এসোসিএসন অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

এসোসিএসন অসিগী চেরোল অসিনা হায়, চেম্পিয়নশিপ অসি পাঙথোকপদা মতেং ওইনবা দোনেসনগী পাউজেল অমা ফেসবুক্কী খুত্থাংদগী মতেং লৌবগী খুদোংচাবা লৌরগা চেম্পিয়নশিপ অসিগী মীংদা শকখঙদবা মীওই খরনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দি সী ওফিসতগী শেনফমশিং খোমদুনা পুখ্রে হায়বা পাউ ফংলে।

অসিগুম্বা মওং চাদবা থৌওং অসিনা থম্মোয় শেংনা শেঞ্জা থুমজা তৌদনা পাঙথোক্ননবা ৱাখল্লোনবু শেরান্নবা লম্বীদা পুবা ওইনা থোক্কদৌরে। অসিগুম্বা থৌদোকসি অমুক হন্না থোক্তনবা মীয়ামগী মফমদা চেরোল অসিনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, চেম্পিয়নশিপ অসিগীদমক শেলগী দোনেসন লাকপদা আই এন বি এ এসিয়াগী প্রসিদেন্টগী লেট্টর হেদ পায়রকপা ওর্গেনাইজেসন, ক্লব অমদি এসোসিএসনখক্তদা শেলগী মতেং পীবিয়ু। পীগদৌরিবা শেনফম অদু একাউন্ট হোলদর ঙাংবম আনন্দ চনু, একাউন্ট নম্বর ০৭০৬০১৫০২০০৫, আই সী আই সী আই বেঙ্ক লিমিটেদতা থাবিয়ু। করিগুম্বা লুপা ৫০০ গী মখাগী শেনফম ওইরবদি শেল ওইনা পীবিরবসু য়াগনি। লোয়ননা মতেং পাঙবীবগীদমক থাগৎপসু চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

কনফিদরেসন কপ: পোর্টুগলনা মেক্সিকোবু মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখ্রে

FIFA CONFEDERATIONS CUP RUSSIA 2017
RUSSIA 2017
RUSSIA 2017

মোস্কো, জুলাই ০২ :

এদ্রিন সিলভানা এক্সত্রা টাইমগী পেনালটিনা মফম অসিদা চথরিবা কনফিদরেসন কপকী নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা অহুমশুবা মফমগী প্লে-ওফ মেচতা মেক্সিকোবু ২-১ দা মায়থীবা পীখিদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখ্রে।

লুইস নেটোনা মহাক্কী মশাগী নেটতা গোল অমা চনশিনখিদুনা মেক্সিকোনা মেচকী মিনিট ৫৪ চৎপা মতমদা ১-০ দা মাঙজিল তানা চৎখি। অদুবু পেপেনা মেচ লোইগদবা মতম খজিক্তা ঙাইরবা মতমদা গোল অমা চনশিনখিদুনা ১-১ দা লৈনদুনা দ্রো চৎখিবদগী এক্সত্রা টাইম শান্নখি।

স্পার্টক চথখিবা মেচ অদুগী এক্সত্রা টাইমগী মিনিট ১০৪ শুবা মতমদা সিলভানা পেনালটি অমদা অশোয়বা অমত্তা য়াওদনা কাওশিনখিদুনা মহাক্কী অহানবা ইন্টরনেসনল গোল চনখিবগা লোয়ননা টিমবু মায় পাকহনখি।

টিম অনীমক্না মেচ লোইরমদাইদা মীওই ১০/১০ না শান্নখি। পোর্টুগলগী নেলসন সেমেদো অমদি মেক্সিকোগী রাও জিমেনেজবু রেফ্রিনা তান্থোকখি। ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন জর্মনিনা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেলদা কোপা অমেরিকাগী হোলদর চিলিগা মায়োক্নদুনা টাইটলগীদমক লম্বানরগনি। ফাইনেল মেচ অসি সেন্ট পিটর্সবগতা পাঙথোক্কনি।

য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন পোর্টুগলনা মখোয়গী কেপ্তেন খৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডো য়াওদনা মেচ অদু শান্নখি। খৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা মহাক্কী ক্লব রিএল মেদ্রিদতগী মহাকপু রিলিজ তৌরকখ্রবা মতুং মহাক্না মহাক্কী নৌনা পোকপা মচা ফাইবোক অদু উননবগীদমক ময়ূম লমদম পাঙখিবদগী শান্নবা য়াওবা ঙমখিদবনি।

পোর্টুগল অমদি মেক্সিকো অনীনা গ্রুপ ষ্টেজগী ওপনিং গেমদা শান্নখিবদা ২-২ দা দ্রো চৎখিবনি।

মেচ অদুদা পোর্টুগলনা মায়োক্নখিবা টিমগী মায়কৈদা অকনবা এটেকশিং তৌদুনা চঙশিনখি। মেচকী মিনিট ১৭ চৎপা মতমদা গোল চন্নবা অকনবা এটেক তৌদুনা চঙশিনখ্রবসু কান্নবা ফংখিদে। মেক্সিকোসু গোল চন্ননবা মায়োক্নখিবা পোর্টুগলগী সাইদতা অকনবা এটেকশিং তৌখি।

অহানবা হাফ ফাওবদা টিম অনীমক্না অকনবা লম্বা তৌদুনা গোল চন্ননবা হোৎনখ্রবসু ঙম্নদনা লৈনখি।

অনীশুবা হাফতা মেক্সিকোনা অকনবা মওংদা পোর্টুগলগী মায়কৈদা তকশিল্লকখি। মখোয়না তকশিনখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ৫৪ চৎপা মতমদা লুইস নেটোনা শোয়বদগী মহাক্কী মশাগী নেটতা বোল অমা কাওশিনখিদুনা মেক্সিকোবু মাঙজিল থাহনখি।

পোর্টুগলনা মখা তানা মেক্সিকোগী মায়কৈদা গোল ইক্বেলাইজ তৌননবগীদমক অঙকপা ফংনা তকখৎলকখি। রোনাল্ডোগী মহুৎতা হাপচিল্লকখিবা গেলসন মার্টিন্সনা মায়োক্নখিবা টিমগী মায়কৈদা গোল এটেম্পশিং তৌখ্রবসু মেক্সিকোগী গোল কিপর গুইলরমো ওচাওনা অকনবা মওংদা থিংখিবদগী গোল ওন্থোকপা ঙমখিদে।

ইঞ্জুরি টাইমগী অহানবা মিনিটতা পেপেনা মেক্সিকোগী কিপর ওচাওবু নমহৎলল্লগা রিকার্দো করিসমানা য়েৎ থংবা ৱিংদগী হাইরকখিবা ক্রোস অমদা গোল অমা চনশিনখিদুনা ইক্বেলাইজ তৌখিদুনা ১-১ দা লৈনখি। টিম অনীনা ১-১ দা লৈনখিবদগী এক্সত্রা টাইম হাপ্তুনা মখা তানা শান্নহনখি।

সবষ্টিট্যুট ওইনা চঙলকখিবা সিলভানা অহানবা এক্সত্রা টাইমগী মতম লোইরক্কদবা খজিক্তা ঙাইরক্লবা মতমদা মেক্সিকোগী মিগুএল লায়ুমদা বোক্স মনুংদা হেন্দ বোল তাখিবদগী পেনালটি কোর্নর অমা ফংখিবা অদু অশোয়বা অমত্তা য়াওদনা নিংথিনা কাওশিনদুনা গোল ওন্থোকখিবগা লোয়ননা ২-১ দা মেক্সিকোবু মায়থীবা পীখি।

পোর্টুগলগী সেমেদোবু মেচকী মিনিট ১০৬ চৎপা মতমদা অনীশুবা য়েলো কার্দ ফংবদগী ফিল্দদগী তান্থোকখি। মখা তারকপদা মেক্সিকোগী রাওল জিমেসসু রেদ কার্দ ফংখিবদগী ফিল্দদগী তান্থোকখিদুনা টিম অনীমক্না প্লেয়র ১০/১০ না মেচকী অরোইবা মতম ফাওবা শান্নখি।



LAI GI MACHA MAYAM
STORY
BABU IRENGBA
ILLUSTRATION
DEVKR
LAISHRAM
মমা পোক্তবীদুদি মখোয় থিবা খঙদবদুদা হরাউজরম্মী অমদি নুংঙাইজরম্মী।
হুম মখোয় অনীমক শোয়দনা চেল্লম্লগনি অমুক হন্না য়ূমসিদা হল্লক্নরোই, লৈরিবা লৌ-ইঙ্খোল পূম্নমক ইমা ইচাগী ওইহৌরনি।
অদুবু মপাদুদি উশিল তৌগদবা ষণ লাবদো মাঙখিবদুদা মথ্বায় য়াম্না ৱারম্মী।
ইস! করিনো হৌজিক ঐনা তৌগদবা।
মাগী নিপাগী অৱাবদো খঙলদুনা পোক্তবী মমাদুনা হায়শিন্নদুনা থেমজিনবীরকই।
নিপা ষণ লাবদু মাঙখিবগীদমক্তা ৱারুরনুসে। লৈবাক্না শাবা ষণ লাবা অমনা মহুৎ শিনবা য়াইয়ে। লাই খুরুম্বদা চঙবা সনা কোনয়াই, লুপা কোনয়াইসু চেঙ অঙাংবা মরু অমনা চেঙ অঙৌবা মরু অমনা শিন্নরিবদুনি। ৱারুরনু ঐ লাইদা তায়নগে। ৱারুরনুকো নিপা । নঙনা ৱাবা উরগা ঐসু য়াম্না নুংঙাইতে।

Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com